# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

**Monday, January 25, 2021, Imphal** — **Page 11**




স্রি লঙ্কাদা শান্নবা ক্রিকেট মেটচ অমদা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী মায়োক্তা রন ১৫০গী মথক থংন-থংননা টেষ্ট অনীদা লৌদুনা ইংলেন্দগী ক্রিকেট পুৱারীদা অহানবা বেটসমেন ওইরিবা রন ১৮৬ লৌখিবা টিম অদুগী কেপ্টেন জো রুট

ফেব্রুৱারী ৮দগী হৌদুনা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মনুং চন্না টুর্নামেন্ট ওর্গনাইজর অমদি ভিক্টোরিয়া ষ্টেটকী অকনবা কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল ঙাক্তুনা লৈরিবা নোভাক জোকোবিচ



## স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমদি দেনমার্ককী ভিক্টর এজলসেননা টোয়োটা থাইলেন্দ ওপন লৌখ্রে

বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ২৪(এজেন্সী): স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং দেনমার্ককী ভিক্টর এজলসেননা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকপা টোয়োটা থাসলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা মঙাশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেমদগী হৌরগা য়াম্না নক্লবা মওংদা পোইন্ট লৌনখি।

অহানবা গেম অদু কেরোলিনা মারিননা ২১-১৯দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমা মাঙজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা গেমদা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু মহাক্কী মশান্না অদুদা পোইন্ট ১৭ ফংলগা কেরোলিনা মারিননা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী ফাইনেল মেটচ অদু স্পেনগী শান্নরোয় অদুনা গেম ২-০দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা দেনমার্ককী শান্নরোয় অনীগী লম্বা ওইখি। মরিশুবা সিদেদ ওইখিবা ভিক্টর এজলসেন অমদি হান্স বিটিংগসকা ফাইনেল মেটচ অদু লম্বা তৌনখিবনি। নীংশিংবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল মেটচতা ভিক্টর এজলসেননা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়েন সেনবু ২১-১৯, ২১-১৫দা থোইরমখি। অমরোমদা, হান্স বিটিংগসনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ঙরাং অতোপ্পা দেনমার্ককী শান্নরোয় এন্দরস এন্টোনসেনবু ২১-১৯, ২১-৮দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা এজলসেনগী মায়কৈদগী হৌবদগী ফজবা মশান্না কয়া উৎপা ঙমদুনা বিটিংগসপু হীরম অয়াম্বদা খুদুম চনবা ঙমখি। ফাইনেল মেটচ অদু এজলসেননা ২১-১১, ২১-৭তা থোইরগা নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমদি ৱাং সি লিননা মালেসিয়াগী অরোন সিয়া অমসুং সো ৱু য়িকপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৩, ২১-১৮দা থোইখি। নুপীগী দবলসতা সাউথ কোরিয়াগী প্যের অনীগী লম্বাদা কিম সো য়ুং অমসুং কোং হি য়োংনা মায় পাকখি। অদুগা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদনা থাইলেন্দগী দেচাপোল অমদি সাবসিরিনা সাউথ কোরিয়াগী প্যেরবু থোইরগা টাইটল লৌখি।



*টোয়োটা থাইলেন্দ ওপনগী নুপীগী অমদি নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মারিন (ওই) অমসুং এজলসেন*

## লনচেনবী এফ সী অমদি অপূনবা এফ সীনা মখোয়-মখোয়গী লম্বা চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল ৭-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, প্রধান ট্রোফি ২০২১গী মেটচশিংদা লনচেনবী এফ সী অমদি অপূনবা এফ সীনা মখোয়-মখোয়না লম্বা তৌনখিবা টিমশিং অদুবু চাওনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী ৩১শুবা মেটচতা লনচেনবী এফ সী অমসুং গোলাপটি এফ সী লম্বা তৌনবদা লনচেনবী এফ সীনা পাঞ্জল ৭-২দা থোইবা ঙমখি। লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী সোভানা য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ৬ চনবা ঙমখি।

শান্নবগী অহানবা হাফতা লনচেনবগী মায়কৈদগী লালসিংঙমনা পাঞ্জল চনবা হৌখি। অনীশুবা হাফতা সোভাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৬ চনখিবা অমদি গোলাপটিগী মায়কৈদগী ইটাখান অমদি এম দি নৱাজনা পাঞ্জল ২ চল্লগা মেটচ অদু লনচেনবী এফ সীনা ৭-২দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩০শুবা মেটচতা অপূনবা এফ সী সগোলবন্দনা ব্রদর্স এফ সী ক্বাকৈথেলগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৬-৩দা অপূনবা এফ সীনা থোইবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা হাফতা ব্রদর্স এফ সীগী মায়কৈদগী রাজাকুমারনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং মখা তারকপা শান্নবগী মতম অদুদা অপূনবা এফ সীগী মায়কৈদগী থংন-থংননা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। ব্রদর্স এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল ২গী মখা তারকপদা অমগা হাপচিল্লগা ৩-৫দা লৈখ্রবা মতুং শান্নবা লোইশিল্লকপদা অপূনবা এফ সীগী মখা তাবা পাঞ্জল অমা য়াওখিবা অদুনা মরম ওইরগা ৬-৩দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ২৮শুবা মেটচতা মরুপ এফ সী হৈরোকনা ৱাই এম সী খা-সঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। মেটচ অদুগী হৌরকপদগী হৌনা মরুপ এফ সীগী শান্নরোয়শিং অদুনা ৱাই এম সী খা-সঞ্জেনবমবু খুদুম চন্না শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা মরুপ এফ সীগী মায়কৈদগী অরুননা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

হাফ মতুংদা ৱাই এম সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদনা লৈরকখি। মেটচকী ৪২শুবা মিনটতা মরুপ এফ সীগী মায়কৈদগী জিমিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ৱাই এম সীগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোকপগী খূদোংচাবা ফংদনা লৈরিঙৈ মনুংদা মরুপ এফ সীগী রোশননা মেটচকী ৪৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপা ঙমখি।

এফ সী লমজাওনা কে ৱাই ভি ও লৈমপোকপমগা লম্বা তৌনখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৯শুবা মেটচতা ২-১দা মেটচ অদু থোইবা ঙমখি। এফ সী লমজাওগী মায়কৈদগী কিষননা টিম অদুগী পাঞ্জল অনীমক চনখি। অদুগা কে ৱাই ভি ওগী মায়কৈদগীনা ইন্দ্রজিৎনা পাঞ্জল ১ চনখি।

## ওল ইন্দিয়া যোগ নেসনল চেম্পিয়নশিপকীদমক মণিপুরগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচএনএস): লাক্লিবা মার্চ ৫দগীনা ৭ ফাওবা ওল ইন্দিয়া যোগ কলচর ফেদরেসন অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল যোগ কলচরেল এসোসিএসন অনীগী মখাদা বরদৱান যোগ কলচর এসোসিএসন দুর্গাপুর, পশ্চিম বরদৱাননা শীন্দুনা দুর্গাপুর পশ্চিম বরদৱান ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৩৩শুবা নেসনল যোগ অসানা চেম্পিয়নশিপ ২০২১ অমসুং ৩শুবা নেসনল রিদমিক যোগ চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী সিঙ্গল প্লেয়রদা শরুক য়াগদবা যোগ শান্নরোয়শিং খনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন ঙসি উরিপোক লাইখুরেম্বীদা লৈবা যোগ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট যোগ এসোসিএসনগী মখাদা শ্রীশ্রী রাধা গোবিন্দ যোগ সেন্টর উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকাইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা যোগ ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা নেসনল যোগ চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদবা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংগী যোগ শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

খল্লবা যোগ শান্নরোয়শিং অদুদি, চহী ৬তগীনা ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংগীনা টি ঐচ সোমিকা, এন ষ্টেলিনা, টি ঐচ খোমদম্বী, টি ঐচ করুনা অমসুং টি ঐচ প্রিতিনি। চহী অসিমক্কী নুপামচাগী কাঙলূপ্তুনা টি ঐচ কীপসন, এন মনিশ, এস নেলসন, এস সুরজ অমসুং এন কিংসননি। চহী ১০দগীনা ১৫ ফাওবগী নুপীমচাগী কাঙলূপ্তুনা এস বেবীরোজ, সী ঐচ সোনিয়া, এন নন্দিতা, এ খুসি অমসুং এ নিরুপামানি। চহী অসিমক্কী নুপামচাগী কাঙলূপ্তুনা এস রিশিকুমার, এন দিনীর, এন রোহন, এন সুরজ অমসুং এল অভিশেকনি।

চহী ১৫দগীনা ২২ ফাওবগী কাঙলূপ্তুনা এল অনিল কুমার অমসুং টি ঐচ শিভানন্দনি। নুপীমচাগী কাঙলূপ্তুনা মেরিনা গোলমৈনি। চহী ২২দগীনা ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীগী কাঙলূপ্তুনা দল্লিয়ু দেবজানিনি।

চহী ৩০দগীনা ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীগী কাঙলূপ্তুনা এস প্রিয়াদর্শীনিনি। চহী অসিমক্কী নুপাগী কাঙলূপ্তুনা ৱাই চেতন কুমারনি। চহী ৪০দগীনা ৫০ ফাওবগী নুপীগী কাঙলূপ্তুনা এ বেদাশাস্ত্রি, কে এস ঐচ মমতাজ অমসুং এল রিতুবালানি। চহী অসিমক্কী নুপাগী কাঙলূপ্তুনা সুভাশ ঈ অমসুং টি ঐচ প্রেমজিৎনি হায়রি।

## ঈ এস সীনা শীন্দুনা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচএনএস): ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব নোংমৈবুংনা শীন্দুনা বি আর এস কোংবগী ফুটবোল টর্ফতা এফ সী নোংমৈবুং সিনিয়র অমসুং এফ সী নোংমৈবুং জুনিয়রগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে।

হায়রিবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অদুদা এফ সী নোংমৈবুং সিনিয়র টিম অদুনা জুনিয়র টিমবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অদুগী মতাংদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব নোংমৈবুংগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মতম শাংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবা লেপ্পুরবা ক্লব অসিগী শান্নরোয়শিং লায়চৎ অসি শন্দোকপগী ফীভম খরা শাফরকপগা লোয়ননা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা শান্নবগী খূদোংচাবা ফংবা অসিগা ইরোয়ননা মশা-মউ ফনা লৈনবগী পান্দমদা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অসি শীনখিবনি হায়রি।

ক্লব অদুগী জেনরেল সেক্রেটরি টি যোদ্ধনা মেটচ অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অসিনা চহী খূদিংগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু শেমগৎননবা হোৎনদুনা এন্দ্যুরেন্স কপ হায়না মিংথোনবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অমরোমদা ক্লব অসিগী স্পোর্টস সেক্রেটরি সাপম জি মিকার্টরনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মমিং লৈবা অমদি মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্লনবা শান্নরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

## ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (অম্বা)না শীন্দুনা উখুল দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডরস এসোসিএসনগা খূৎশম্নরগা পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা মার্চ ২৭ অমসুং ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া/মাষ্টর/ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ ২০২১দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি। ট্রায়ল সেলেক্সন অদু উখুলগী ফুঙ্গ্রেতাং ইষ্টতা লৈবা উখুল সেন্ট্রেল স্কুলদা ফেব্রুৱারী ২৮গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি। ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা বোদি বিল্ডরসশিংনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা ফেব্রুৱারী ২৮গী অয়ুক পুং ৭ তাবদা লাক্কদবনি।

## ইন্দিয়া জুনিয়রনা সিনিয়র চিলিগী টিমবু ২-০দা থোইখ্রে

সান্তিয়াগো, জন্যুৱারী ২৪(এজেন্সী): চিলিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা চখরিবা টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা লৈবাক অদুগী সিনিয়র টিমবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু মঙারকশুবা মেটচ ওইখি। সান্তিয়াগো সিটিদা লৈবা প্রিন্স ওফ ৱেলস কন্ট্রি ক্লবতা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী ৪৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সঙ্গীতা কুমারীনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুস্মানা মেটচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা চিলিগী সিনিয়র হোক্কী টিম অদুবু ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী টিমনা ২-০দা থোইখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 16**

**Foerster, Andreas - Bauer, Peter**
**Bundesliga 8384 Germany, 1984**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4Nf6 | 2.c4g6 | 3.Nc3Bg7 | 4.e4d6 |
| 5.f3O-O | 6.Bg5Nbd7 | 7.Qd2c5 | 8.d5a6 |
| 9.Nh3Qa5 | 10.Nf2Rb8 | 11.a4Ne5 | 12.f4Neg4 |
| 13.Nxg4Bxg4 | 14.Bd3b5 | 15.cxb5c4 | 16.Bxc4axb5 |
| 17.Bd3b4 | 18.Nd1Bxd1 | 19.Qxd1b3+ | 20.Qd2Rb4 |
| 21.Bxf6Bxf6 | 22.O-ORa8 | 23.Qe2Rxa4 | 24.Rxa4Qxa4 |
| 25.h3Qd4+ | 26.Kh2Ra2 | 27.Rb1Qa4 | 28.Bc4Rxb2 |
| 29.Rxb2Bxb2 | 30.Qd3Qa1 | 31.Bxb3Bd4 | 32.Qd1Qc3 |
| 33.Bc2Qe3 | 34.Qf1Qd2 | 35.Bb1Be3 | 36.f5Bf4+ |
| 37.Kh1Qe3 | 38.fxg6hxg6 | 39.Bd3Qg3 | 40.Kg1Be3+ |
| 41.Kh1Bf4 | 42.Kg1g5 | 43.Qf3Qh2+ | 44.Kf1Qh1+ |
| 45.Kf2Qc1 | 46.Qe2... | | |

**QUESTION :**
**Black win in 2 moves**

[Puzzle 15 Ans. : **31**...Kh7 **32.**Rh6+ gxh6 **33.**Qg8#
or
**32.**Rg4 Rf1+ **33.**Rd1 Rxd1#]


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN — CLASS 10 REVISION COURSE Starts on 21st Jan, 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 — Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020
1st Position Reshmi N. D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi Pitambra E/School
9th Position Noveena Ksh D/o. Sarvodayachand & S. Aradhana Nirmalabas
10th Position Chaitan Y. S/o. Y. Shantikumar & T. Romila St. Joseph
15th Position Th. Jeet S/o. Th. Rashi & Th. Shanti St. Joseph
19th Position Dhanthoi S. D/o. S. Homeshor & O. Amita Nirmalabas
19th Position Mary L. D/o. Dr. John P. & Dr. Rothangpui Little Flower
25th Position H. Nandibala D/o. H. Nandalal & S. Madhubala Nirmalabas
25th Position Henry O S/o. O. Kumud & K. Ranjita St. Joseph
1ST POSITION 2020
Reshmi Nandeibam
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam
HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST
FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS )
Date 18/02/2021 22/02/21 24/02/21 27/02/21 03/03/21 06/03/21
Sub: English Maths MIL S. Sc. Science Adl. Sub.
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2



Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.) & CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSE Result 2019
19th POSITION
Rakesh Ningthoujam MECI Explorer Academy
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSLC Examination Result 2020 at a GLANCE
6th POSITION Jessica Konthoujam Little Flower School
12th POSITION Rabindra Moirangthem St. Joseph School
14th POSITION Ningthoujam Reona Devi Trinity Public School
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 9862712287
HL-P/6601/11/1-25/1